**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুরগী মীয়ামগী য়াইফনবা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংনা তৌফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলি।

২) ভারতকী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ- জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নদুনা মণিপুরগী শান্তি রক্সাগী মতাংদা খন্নখ্রে।

৩) নেসনেল স্পেচ ডে লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৪) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং জিলাদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি পোলেন্দ খোঙচৎ লোয়রদুনা ঙসি য়ুক্রেনদা থুংখ্রে।

------

অভিয়ান (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুর কন্ননবা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংনা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌরি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা পাঙথোকপা সদস্যতা অভিয়ান ২০২৪ গী মতাংদা রাজ্য থাক্তা নোংমগী

ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মণিপুরগী মীয়াম কন্নবা অমদি য়াইফনবগীদমক্তা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিগী ওইবা মরুওইবা ইসু কয়া থবক্তা ওন্থোকপা হৌরে। ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদা শম্বল খাবা, ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম লৌথোকপা অমদি আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং খন্দোকপগী থবক হৌখ্রে। থবক্তা ওন্থোকপদা মতম খরা লৌবনি।

মীফম অসিগী মতাংদা দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন. নিম্বসনা হায়- অভিয়ান অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদদি- দল অসিদা অনৌবা মেম্বরশিং য়াওহন্নবা থবক পায়খৎনবা হোৎনবনি। ভারত পুম্বগী ওইনা অভিয়ান অসি থা অসিগী ১৭ তা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। মণিপুরগী ওইনা ঙসি পাঙথোক্লুবা মতুং জিলাশিংগী ওইনা হয়েংদগী পাঙথোকপা হৌরগনি। শ্রী নিম্বসনা হায়- মেম্বরসিপ দ্রাইভ অসিগা মরী লৈননা মীওই মঙানা শাবা কমিতি অমা শেম্লে। কমিতি অসিগী চেয়ারমেন্না মহাক মশামকা ওইগনি।

ঙসিগী মীফম অদুদা বি.জে.পি মণিপুর ইনচার্জ ডাঃ রাজদিপ রোই, জেনেরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অভৈ গিরি, দলগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবী, মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং অমদি করিয়াকার্তাশিং শরুক য়াখি।

আর্মি চীফ (এল)ঃ নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা ঙসি থুংলখিবা ভারতকী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ-জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা মহাক্কী বঙ্গলোদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি।

চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ অসিনা জ়ন ৩০ দা জেনরেল মনোজ পান্দেগী মহুৎ শিন্দুনা ফম পায়খ্রবা মতুং অহানবা ওইনা মনিপুরদা লাকপনি।

ডে (এল)ঃ ইন্দিয়ান স্পেচ রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)গী চন্দ্রয়ান থ্রি মিসনগী মখাদা বিক্রম লেন্দরনা মমাং চহিগী ওগষ্ট ২৩ দা মায় পাকা থাগী খা মেরুদা মায় পাকা তাখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা লৈবাক অসিনা ঙসি নেসনেল স্পেচ ডে হায়না পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসি ভারতকী স্পেচ প্রোগ্রামদা থোইদোক হেন্দোকা কাউবা য়াররোইদবা নুমিৎ অমা ওইনা লৌনবগা লোয়ননা ঙসি লৈবাক্কী মফম কয়াদা পাক শন্না থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন, ইম্ফাল রিজনেল ওফিসকা দি.এম. কলেজ ওফ সাইন্সকা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ নিনি চখ্থগদবা থৌরম অসিগী ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা দি.এম য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগী ভাইস চান্সেল্লর, প্রোফেসার নোংমাইথেম রাজমুহোননা হায়- হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা স্পেচ সাইন্সকী মরমদা হেন্না খঙহন্দুনা মখোয়বু লম অসিদা চংনিংবগী অপাম্বা পোকহনবা ঙমগনি। মসিদা মহে লোইশঙশিংনা অচৌবা দাইত্ব লৌফম থোকই।

নুমিৎ অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ কলেজদা নেসনেল স্পেচ ডেগী পালন পাঙথোকখি। কলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্স অমসুং আই.কিউ.এ.সিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপখিবা থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ লাইশ্রম বসন্তি দেবীনা চীফ ওইনা শরুক য়াখি। কলেজ অসিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্ট এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডাঃ এন. লোকেন্দ্রো সিংহ অমসুং কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার অশোক লুৱাংনা নেসনেল স্পেচ ডেগী মরম শুগাইনা ৱা ঙাংখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্সনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখি।

মরক অসিদা, নেসনেল স্পেচ ডেনা লাকপদা লৈবাক অসিগী বৈগ্যানিকশিং, ইঞ্জিনিয়ারশিং অমদি স্পেচকী লমদা থৱায় য়াওবা মীওইশিংদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ইকায় খুমবা উৎলক্লি। স্পেচ সাইন্স অমসুং টেকোলোজিগী লমদা ভারতপু মাংজিল থাবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

পুলিস (এল)ঃ ককচিং পুলিস কম্মান্দো, ১৩১ শুবা বি.এস.এফ, মণিপুর রাইফলস, গোরখা রাইফলস অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা

ঙসি অয়ুক ককচিং জিলাগী ৱাংজিং খুনৌদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিনগা কোন্নবা ইন্সাস রাইফল অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, হেন্দেগ্রেনেদ ৫, ইন্সাস রাইফলকী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১০, নাইন এম.এমগী মরু ২, দিটোনেতর অমা য়াওরি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর পুলিস কম্যান্দো, অসাম রাইফলস, সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাইনেম, কৈনৌ মনিং অমদি অয়োকপা খুলগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথুখ্রে। মদুদা শান্না কাপ্পা য়াবা পোম্পী মোর্তার অমা, এ.কে রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল গন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি-টুগী পিষ্টোল অমা, হেন্দগ্রেনেদ ১১, দিটোনেতর ৮, ইন্সাস এল.এম.জিগী মেগজিন অমা, ট্যুব লোঞ্চর অমা, এস.এল.আরগী নোংমৈ মরু ১০, এ.কে. রাইফলগী মরু ১৭নচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, ককচিং পুলিস কম্মান্দোগী কাংবু অমনা কে.সি.পি (নোংদ্রেন খোম্বা)গী কাদর অমা ঙসি কৈরক কৈশাম লৈকাহ ৱাইতিং সেদতগী ফারে হায়রি। মীওই অসি মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নে হায়রি।

পাউজেল (এল)ঃ  অকোইবগী খল ঙাক শেন্দুনা থমবা পাউজেল পুবা খোঙচৎতা সাইকল থৌদুনা লৈবাক শিনবা থুংবদা চৎলিবা প্রোফেসার জয়েন্তা মহাজন ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

মহাকা ইম্ফালদা থুংলবদা শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বী সিংহনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা তরামা ওকখি।  তরামা ওকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী তোম্বীনা হায়- রাজ্য অসিদা উমং কোকথোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা লাক্লিবা চহি ২৫ অসিদা উ য়াম্থৎপা তোক্কুনা উ থাবরোমদা হেন্না থৱায় য়াওশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে। মহাকা হায়- মতম অমদা রাজ্য অসিদা পাৎ মরাং কায়না লৈরম্লবসু ঙসিদি শুপতগী মরি মঙা খক্তা ঙাইশিল্লক্লে।

মসি লুমা লৌবগী মতম য়ৌরে। উমং কোকথোরকপনা ঈশিং ফংদবগী সমস্য মায়োকরকপা অমদি নোং তাবা মতমদা লৈবাক ফাজিন্নবা উ লৈতবনা চীং লৈবাকশিংগা লোয়ননা ঈশিং চেন্থরকপনা মখাদা লৈরিবা মীওই কয়াদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা প্রোফেসার জয়েন্ত মহাজন্না হায়- মণিপুর য়ৌরকপগী লম্বীদা উমং কোকথোক্তুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলম্বা থেংনবদা পুকিংদা নুংঙাইতবা পোকই। উমং কোকথোক্তুনা রবর অমসুং পোপি থাবনা শেন্থোক হেন্না লৈরম্বা য়াই। অদুবু মসিনা তুংদা অকায়বা কয়া পীরক্লি। মহাকা হায়- করিগুম্বা ঐখোয়না ঐখোয়গী অকোইবগী খল ঙাক শেলহৌদ্রবদি তুংদা অৱাবা কয়া মায়োকরকপা য়াই।

প্রোফেসার মহাজন চহি অসিগী জনুৱারি ২৩ দগী গুজরাতকী ভারত-পাকিস্তান ঙমখৈদা লৈবা নাদাবেদতগী সাইকলগী খোঙচৎ অসি হৌরকখিবনি। মহাকা অসামদগী  জিরিবাম ফাওরগা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবনি। ইম্ফালদা নুমিৎ খরনি লৈরল্লবা মতুং কোহিমাগীদমক খোঙশানখিগনি। প্রোফেসার মহাজন্না অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম খরা অমসুং জম্মু-কাশ্মীর য়াওনা নোংপোক ভারতকী মফম কয়া চৎলুরবা নদাবেদতা পন্থুংফম ওইগনি।

চান্দেল (এল)ঃ     কৃশি বিগ্যান কেন্দ্র চান্দেলনা শিন্দুনা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমদি লৌমীশিং অমদি বৈগ্যানিকশিংগা উন্নবগী থৌরম অমা ঙসি আই.সি.এ.আর-কে.ভি.কে চান্দেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা কিষান মেলা অমসু পাঙথোক্তুনা লৌমীশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং মীয়ামদা উৎখি। লোয়ননা লৌমীশিংদা মরু মরাং অমদি য়েন্নাউনচিংবা য়েন্থোকখি।

পিএনবি (এল)ঃ  পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ক, রুরেল সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুট ককচিংনা শিন্দুনা লী, ৱা অমদি কৌনানা পোৎ চৈ শাবগী মতাংদা ১১ নি চথুগদবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং ৱাহরি নিংথৌজম লৈকাইদা

হৌদোকখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি ইনখৎলক্লিবা নহাশিং, মরুওইনা নুপীশিংদা খুৎ-শা হৈবগী থবকশিং তম্বীদুনা মশানা মশাবু শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌবাল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগা খুৎশমদুনা চাইল্ড ত্রাফিক্কিং, চাইল্ড লেবর, জ্বেনাইল জষ্টিস অমসুং পোক্সো এক্টকী মতাংদা মীয়ামদা ভাব তাহনবগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল দি.সি ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা চাইল্ড ত্রাফিক্কিং অমসুং চাইল্ড লেবর অসি অরুবা সমস্য অমা ওইরি। মমা মপা ওইবশিংনা চাইল্ড ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙবা মথৌ তাই। কনাগুম্বা এজেন্সি নত্রগা মীওইশিংনা মখোয়গী মচাশিংবু মহৈ মশিং তমবা নত্রগা করিগুম্বা খুদোংচাবা অমগীদমক মপান লমদা থানবা ৱাফম ফোংদোরকপা মতমদা মপা মমা ওইবশিংনা এজেন্সিদুগী মরমদা নিংথিনা থিগৎহৌনবা হোৎনগদবনি।

সিপিআই (এল)ঃ কম্ম্যুনিষ্ট পার্তি ওফ ইন্দিয়া (সি.পি.আই) মণিপুরদা লিংখৎখিবা ৭৭ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সি.পি.আই ওফিস, ওপেন ভবনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা লময়ানবা জননেতা হিজম ইরাবোতকী মীতম অমসু মায়খুম হাংদোকখি।

কেম্প (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ৱাংখৈ কোংবা রোদতা লৈবা ওলা ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মদুদা তোঙান তোঙানবা স্পেসিয়েলিষ্ট ডোক্তরশিংনা লমদম অদুগী মীওই ১০০ হেন্না লায়েংখি।

অমরোমদা, চীফ মেদিকেল ওফিসার অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা হিয়ারিং এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি

কৈথেলমানবীদা লৈবা ৱিজদম পেলেস রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ দিফনেসকী মখাদা পাঙথোকপনি। থৌরমদুদা কেম্প অদুদা লৈবা মীওইশিং হেলথ চেক্যঅপ তৌখি।

অরবান প্রাইমারি হেলথ সেন্তর লাঙ্গোল তরুংনা শিন্দুনা ঙসি থাংমৈবন্দ থিংঙেল লৈকাই লিওনলি কম্ম্যুনিতি হোলদা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ববিনা (এল)ঃ  ববিনা হোস্পিতালনা শিন্দুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা থা অসিগী ২৭ তগী ২৯ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খাবৈশোইদা লৈবা হোস্পিতাল অসিদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

কেম্প অসিদা জেনেরেল মেদিসিন, জেনেরেল সরজরি, নিউরো মেদিসিন, গাইনিকোলোজি, ইন্দোক্রাইমোলোজি অমদি পেদিয়াত্রিক্সনচিংবগী ও.পি.দিশিং হাংদুনা লেমা লায়েংবগী থবক চথ্বগনি হায়রি।

ডে ঃ ১৪ শুবা শৈরেংবশিংগী নুমিৎ অমসুং শৈরেংবশিংগী অপুনবা লুপ (সাল) মণিপুর লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দোনেশ্বর কোনশমনা ইদিট তৌবা এন এন্থোলোজি ওফ শৈথারোল ১৪ অমসুং ১৫ সুবা ফোংখি।

এসএস (এল)ঃ  ষ্টেন্দর্দ কলেজ ইম্ফাল ইষ্টকী এন.এস.এস য়ুনিত ৱান অমসুং টুনা শিন্দুনা ঙসি কোংবদা কৈথেলগী অকোইবদা লম তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

নোনে (এল)ঃ  নোংমগী ওইবা লিদরসিপ সেমিনার অমা লোংমাই চর্চেস ফেল্লোসিপনা শিন্দুনা নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ৱান বেপটিষ্ট চর্চতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মদুদা চর্চকী লুচিংবশিং, ভিলেজ ওথোরিতিগী লুচিংবশিং য়াওনা মীওই ১২০ হেনবনা শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি পোলেন্দ খোঙচৎ লোয়রদুনা ঙসি য়ুক্রেনগী কিভতা থুংখ্রে। মহাকা কিভতা থুংলবদা ভারত মচাশিংনা তরামা ওকখি। প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুদা লৈবা মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মহাক্কী য়ুক্রেন খোঙচৎ মনুংদা প্রধান মন্ত্রিনা য়ুক্রেনগী রাষ্ট্রপতি ভোলোদিমির জেলেন্সকিগা মখোয় অনিখক্তদা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। লুচিংবা অনিনা শেল থুম, লল্লোন ঈতিক, লৌউ শিংউ, হকশেল, শিক্ষা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ফারমাসিডতিকেল, ঙাকশেল, কলচর য়াওনা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নগনি।

হিদাক ঃ হকচাংদা শোকিঙাই ওইবা এন্তি বাইওতিক্স, পেন কিল্লর অমসুং মল্টি ভিতামিন য়াওনা হিদাক মখল ১৫৬ সরকারনা অথিংবা থমখ্রে। হকশেল মন্ত্রালয়না থোকপা নোতিফিকেসন অমদা হায়- হায়রিবা হিদাক মখলশিং অসিদা য়াওরিবা মচলশিং য়াওফম থোকপা চাং য়ৌদবদগী অথিংবা অসি থম্লনি। মন্ত্রালয়না হায়- হায়রিবা হিদাকশিং অসি শিজিন্নবদা মীওইবগী হকচাংদা খুদোংথিনিঙাই ওই। সরকার অমদি ড্রগস টেকিকেল এদভাইজরি বোর্দ এক্সপার্ট কমিতি অমা শেমদুনা হিরম অসিগী মতাংদা য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱারেপ অসি লৌরকপনি।

রাই ঃ নোচুংপ বঙ্গাগল আর.জি.কর হোস্পিতালগী ডোক্তর নুপী অমা ইজৎ মাংহল্লবা মতুং হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা শঞ্জয় রাই নুমিৎ ১৪ নি জেলদা থাজিনখ্রে। মহাক ঙসি কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা জেলদা থাজিনখিবনি। মসিগী মমাংদা কোলকাতা পুলিসনা নুমিৎ ১৪ নি পুলিস কষ্টদিদা থম্লকখিবনি তুংদা সি.বি.আইদা শিন্নখিবনি।

অসাম ঃ অসামদা মহৈরোইশিংবু বৈগ্যানিক ওইবা ৱাখল্লোন লৈহন্নবা পান্দমদা স্কুলশিংদা তিনকরিং লেব থমবা পুকিং থৌগৎলি। মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা

শর্ম্মনা হায়- রাজ্য অদুদা হৌজিক তিনকরিং লেব ৩৩৫ লৈরি। অনৌবা তিনকরিং লেব ৩২৮ আই.আই.টি গুৱাহাতিগী মতেংগা লোয়ননা চহি অসিগী মনুংদা পায়খৎলগনি। মসিনা মহৈরোই লিশিং ২০ লোমদা কান্নবা পীরি।

ত্রিপুরা ঃ ত্রিপুরাদা হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মনিক সাহানা নোংথক্তগী য়েংশিনখ্রে। মখ্য মন্ত্রিনা ঈচাউনা কা হেন্না শোকহল্লবা অমরপুর অমসুং কারবুককী মফমশিং য়েংশিনখি। রাজ্য অদুদা ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈননা লৈখিদবা মীগী মশিং ১২ শুখ্রে।

ঈচাউ অসিগা য়েংলগা কেন্দ্র সরকারনা মাংজোননা লুপা কোতি ৪০ কাইথোক্লগনি হায়রি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়- কেন্দ্রনা নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম ১১, লান্মগী কলম অহুম অমসুং এয়ার ফোর্সকী হেলিকোপ্তর ৪ রাজ্য অদুগী ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা তারবশিংদা মতেং পাংলি।

জিরি (এল)ঃ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্ট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অহানবা শগাপম ধনা মেমোরিয়েল বেদমিন্টন তুরনামেন্ট ২০২৪ ঙসিদগী জিরিবাম মল্টিপরপজ হোলদা হৌখ্রে। তুরনামেন্ট অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার কৃষ্ণকুমারনা হৌদোকখি। তুরনাভেন্ট অসিদা পুন্না টিম ১৬ না শরুক য়ারি।

ফুটবোল ঃ নেপালগী দসরথ রঙ্গসালা ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা সাফ অন্দর ত্বেন্তি ফুটবোল চেম্পিয়নসিপতা ভারতনা মোলদিপসপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

------

--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- মণিপুরগী মীয়ামগী য়াইফনবা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংনা তৌফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলি।

২) ভারতকী চীফ ওফ আর্মি ষ্টাফ- জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিগা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নদুনা মণিপুরগী শান্তি রক্সাগী মতাংদা খন্নখ্রে।

৩) নেসনেল স্পেচ ডে লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৪) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং জিলাদা থিবা হুম্বগী

থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি পোলেন্দ খোঙচৎ লোয়রদুনা ঙসি য়ুক্রেনদা থুংখ্রে।

--- পাউ লোইজরে---